# সিরিয়াগী তুংগী ফীভমগী মরমদা বারাক ওবামানা নুংনাংলি



দমাস্কস, নবেম্বর ২১ : সিরিয়াগী তুংগী ফীভম অসি মহাক্কী ৱাখলদা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়না লৌদে হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা হায়খ্রে। চয়োল অমরোম এয়র-ষ্ট্রাইকশিং চথরকখিবা অলেপ্পোদা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস অমা থোকহন্দনবা হোৎনবগী মতম লৈরক্রে হায়না য়ু এননা ৱার্নিং কন্না পীরিঙৈ তাল্লক্তা ওবামানা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা ইষ্টর্ন অলেপ্পোবু নৌনা লৌশিন্নবা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অকনবা এটেক অমা হৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মীচম ১১৫ এসোল্ট অসিগা মরী লৈননা শিখ্রে। নোংমাইজিং নুমিৎতা নৌনা খুৎ থোক্লরকখিবদা য়ামদ্রবদা অঙাং নিপান শিখ্রে। গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা মখোয়গী স্কুলদা রেবেলশিংনা কাপ্লকখিবা রোকেটনা হিট তৌবদগী অঙাংশিংদু শিখিবনি।

সিরিয়াগী অনীশুবা সিটি অদু মাঙ-তাকপা য়াবগী মওং চাউনা লৈরে হায়না ওবামানা চেকশিন-ৱা ফোঙদোকখ্রে অমসুং রসিয়ন অমসুং ইরানিয়ন লিদরনা সিরিয়ন লিদর বাশর অল-অশাদপু বেক্কিং পীবনা ফীভমদু ওপোজিসনগী ওইনা খুদোংচাদবা ফীভম ওইহল্লে হায়খ্রে।

লিমাদা নোংমাইজিং নুমিৎতা পেসিফিক লিদরশিংগী সম্মিটতা ওবামানা সিরিয়াদা সোর্ট টার্ম প্রোস্পেক্টস থিবদা মহাক্না থাজদে হায়খি।

'রসিয়া অমসুং ইরান্না অকনবা এয়র কেম্পেয়্যন অমগা লোয়ননা অশাদপু শৌগৎনবা ৱারেপ অমা লৌখিবগা লোয়ননা নিংথিনা ত্রেন তৌরবা অমসুং কম্মিটমেন্ট চেৎলবা মোদরেট ওপোজিসন অমত্তনা মতম শাংনা গ্রাউন্দদা খাংদুনা লৈবা ঙম্লোই।'

নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা ওবামানা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা এসিয়া-পেসিফিক ইকনোমিক কো-ওপরেসন ফোরমদা উনবা মতমদা মীশি-মীনাগী ঈরাংশিং লোইশিন্নবা কন্না হোৎননবা হায়খি।

তৌইগুম্বসুং দামাস্কসতা য়ু এনগী পাউখোল্লোয় ষ্টাফন দি মিষ্টুরাবু ক্রুস প্রপোজেল অমগা মরী লৈননা রিজেক্ট তৌখি। প্রপোজেল অদুদা ওপোজিসনবু সিটি অদুগী রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা নোংপোক-থংবা শরুকু এদমিনিষ্ট্রেসন তৌহনবগী ৱাফম য়াওরি।

'ঐখোয়দা হৌজিক মতম লৈরক্রে' হায়না দি মিষ্টুরানা ফোরন মিনিষ্টর ৱালিদ মুৱালেমগা উনরবা মতুংদা হায়খি।

মুৱালেমনা হায়খি, নোংপোক-থংবা শরুক্তগী জিহাদিষ্ট ফোর্সশিং তকথোকখ্রবা মতুংদা ওপোজিসন্না মফমদুবু রুল তৌবদা গভর্ণমেন্টনা রিকগনাইজ তৌবগী ৱাফম য়াওবা প্রপোজেল অদু মহাক্না রিজেক্ট তৌখ্রে। সিটিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা এয়র ষ্ট্রাইকশিংগা লোয়ননা বেরেলশিংনা বোম অমসুং অর্টিলরি সেল কয়া কাপশিনখ্রবনি।

'য়ু এননা টেররিষ্টশিংবু রিৱার্দ পীবা পাল্লিবসি করম্না ওইথোক্কদৌরিবনো' হায়না মুৱালেমনা হংখি।

ইষ্টর্ন অলেপ্পো অমসুং অতৈ মফমশিংদা হ্যুমেনিটরিয়ন নৎত্রগা পোলিটিকেল ইনিসিয়েটিভ অমা লৌখৎপগী মহুত্তা মিলিটরি এক্টিভিটিশিং হেনগৎলক্লগনি হায়না এইদ এজেন্সিশিংনা অকিবা পোক্লে হায়না দি মিষ্টুরানা জর্নেলিষ্টশিংদা হায়খি।

'খৃষ্টমাস য়ৌরকপা মতমদা মিলিটরি এক্টিভিটিশিং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা ইষ্টর্ন অলেপ্পোদা লৈহৌরিবা নৎত্রগা লেমহৌরিবা খুদিংমক ফেল ওইরগনি। মতমদুদা টর্কিদা মীওই ২০০,০০০ লাঞ্জেন্নরগনি। মদু অচৌবা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস অমনি' হায়না মিষ্টুরানা হায়খি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা রেবেলশিংনা গভর্ণমেন্টনা পায়শিল্লিবা নোংচুপ থংবা অলেপ্পোদা রোকেট কয়া কাপশিন্দুনা খুৎ হনখিবদা প্রাইমারি স্কুল অমদা হিট তৌদুনা য়ামদ্রবদা অঙাং নিপান শিখ্রে হায়না ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।

সিরিয়ন টেলিভিজন্না হোস্পিটালদা ঈখেংনা য়োল্লবা কপ-লাওবা অঙাং কয়া ট্রিটমেন্ট তৌবগী শক্তমশিং উৎখি। এ এফ পিগী জর্নেলিষ্ট অমনা এটেক্কুগী মতুংদা স্কুলদগী মহৈরোয়শিংবু হোস্পিটালদা পুখৎপা উৎখি।

তৌইগুম্বসুং রেজিমগী ফোর্সশিংনা সিটিদুগী নোর্থ ইষ্টর্ন এরিয়া মাসাকেন হনানোদা অকনবা এসোল্ট অমা চথখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লখ্রে হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি।

## সিয়া মোস্কতা সুইসাইদ এটেক চথদুনা মীওই ২৮ হাৎখ্রে

কাবুল, নবেম্বর ২১ :

অফঘান কেপিটেল কাবুলদা লৈবা সিয়াশিংগী মোস্ক অমদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিভ ভেষ্ট পোকখায়হন্দুনা চথখিবা এটেক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ২৮ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৪৫ না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। এটেক্কর অদু বাকির উল উলুম মোস্কতা চঙশিনখি অমসুং লাই খুরুম্ন বা হোৎনরিবা মীয়াম মরক্তা মহাক্কী সুইসাইদ ভেষ্ট অদু পোকখায়হনখি হায়না অফঘান ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

সিয়া কাঙলুপকী মরু ওইবা কুম্মৈ অশুরাগী মতুং নুমিৎ ৪০ নি লৈরগা পাঙথোকপা সিয়া থৌরম অর্বিনদা শরুক য়াননবগীদমক্তা ৱারসিপ্পরশিংনা মোস্কতুদা পুনখিবনি।

থৌদোক্তুবু মিৎনা উহৌবা নদির অলিনা হায়খি, 'ঐহাক্না পোকখায়বগী অহৌবা মখোল অমা তাখি অমসুং মোস্ক অপুম্বদু উফুলনা পুংকুপ কূপশিনখি। 'উফুল ময়ামদু লেপখিবগা লোয়ননা ঐহাক্না মোস্ক অদুদা হকচাং মচেৎ ময়াম অমসুং ঈখেংশিং উখি। ঐহাক খ্বাঙদা শোকখি অমসুং মোস্ক অদুদগী ষণ শারগা থোকপা তাখি। অতোপ্পা ৱিটনেস, অমিনুলাহ অলিজাদোনা হায়খি, 'ঐহাক্না কাবুল হোস্পিটালদা অশিবা হকচাং অমসুং অশোকপা কয়া পুবা উখি।

## জপানগা য়েৎনরিবা ঈথৎকী মতাংদা পুটিননা অকনবা ফীরেপ উৎখ্রে



লিমা, নবেম্বর ২১ :

জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেগী ওইনা নিংবা কায়নিংঙাই ওইরবা খোঙথাং অমদা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন্না জপানগা পিছ ত্রিটি অমা পুরকপগী ৱাফমগী মতাংদা মহাক্কী ফীরেপ কোমথোকপগী মওংশিং উৎপগী মহুত্তা য়েৎনরিবা ঈথৎশিংদা জোইন্ট ইকনোমিক প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপগী ৱাফমদা হেন্না মিৎয়েং থম্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে। টোকিয়োগী মায়কৈদগীদি প্রোজেক্ট অদু হান্নন রিজেক্ট তৌখ্রবনি।

লিমাদা নোংমাইজিং নুমিৎতা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা পুটিন্না হায়খি, লমগী য়েৎনবনা মরম ওইদুনা চহী দিকেদ কয়া থেংথদুনা লাক্লবা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী পিছ ত্রিটি অমা জপানগা সাইন তৌনবা হায়বসি অরায়বা লম্বী অমা নত্তে।

পুটিন্না হায়খি, রসিয়ানা পায়শিল্লিবা হোক্কাইদোগী অৱাং-নোংপোক থংবা ঈথৎশিংগী সোভরন্টি ইস্যু লৈখায় তানবগী ৱারী শান্ননবা মহাক্না শেম-শাদুনা লৈ। য়েৎনবদু লৈখায় তানবগী মখল-মখা ওপসন কয়া লৈ।

য়েৎনরিবা ঈথৎশিংদুদা ইকনোমিক এক্টিভিটি খরা পুন্না পায়খৎমিন্ননবা রসিয়ানা হৌদোকখিবা ৱাফম মহাক্না থাংজ নুমিৎতা অবেগা খন্নখি অমসুং মহাক্না মদুমক থবক ওইনা পাঙথোক্লিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

রসিয়াগী মপুং ওইবা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা মিৎয়েং থম্বা পোইন্ট নিপানগী বাইলেটরেল পেকেজ অমা থবক ওইনা পাঙথোক্লবগীদমক্তা পুটিনগী মথং থাগী জপান খোঙচৎকী মাঙওইননা টোকিয়ো অমসুং মোস্কোনা দিস্কসনশিং চথরকখিবনি।

অদুম ওইনমক জপানগী মায়কৈদগীদি ঈথৎশিং অদুদা অপুনবা ইকনোমিক প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবগী প্রপোজেল অদু রিজেক্ট তৌখ্রবনি। টোকিয়োনা মদুদা য়াওবনা রসিয়ন সোভরন্টিদা য়ানিংবা উৎপগা মান্নগনি হায়রদুনা জপান্না প্রপোজেলদু রিজেক্ট তৌখিবনি। জপান্না ঈথৎশিং অদুবু নোদর্ন টেরটরিজ কৌই।

## পাকিস্তানগী আর্মি চীফ রহীল শরিফকী ফেয়রৱেল ভিজিট হৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ২১ :

পাকিস্তানগী পৱারফুল ওইরবা আর্মি চীফ রহীল শরিফনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফেয়রৱেল ভিজিটশিং হৌখ্রে হায়না মহাক্কী স্পোক্সমেন্না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থা অসিদা মহাক্কী চহী ৩ গী টার্ম লোইরবা মতমদা মখা তানা শাংদোকপা য়াই হায়না শোন্না-ঙাঙনরকখিবশিং অরেম্বা ওইগদৌরি।

পাকিস্তানি মীচমশিংনা জেনরেল অসিবু অদুক্কী মতীক পাম্মখি। মখোয়না মহাকপু ক্রাইম অমসুং করপসন মায় পাক্না দিল তৌখিবা মীশক অমা ওইনা লৌনবদা নত্তনা ঈরাং কনবা ত্রাইবেল এরিয়াশিংদা ইস্লামিষ্ট টেররিজমগী মায়োক্তসু লাঞ্জং চঙশিনখি হায়না লৌনরি।


নবেম্বর ২৯ দা থবক্তগী পোত্থাগদৌরিবা শরিফনা মহাক্কী থবক্কী মতম শাংদোকহনগনি হায়না অমুক্তা ফোঙদোকখিদ্রিবনি, তৌইগুম্বসুং হন্দক্তা মিদিয়া অমসুং পোলিটি-স্যানশিংগী মরক্তা মহাক্কী থবক্কী মতম শাংদোকহন্নবা হোৎনরকপা য়াই হায়না ইনা ঙাঙনখিবনি।

'আর্মি চীফনা মহাক্কী ফেয়রৱেল ভিজিটশিংদু ঙসি লাহোরদগী হৌগনি অমসুং মহাক্না ভিজিটশিং অদুদা লান্মীশিংনগা উনগনি' হায়না মিলিটরি স্পোক্সমেন লেফটিনেন্ট জেনরেল অসিম বাজৱানা সোসল নেটৱার্ক ত্বীটরদা হায়খি। 'পিছ অমসুং ষ্টেবিলিটিগী লমদা মায় পাকখিবশিং অচম্বা থবকশিং নত্তে' হায়না মহাক্না মখা তাখি। 'ঐখোয়গী সেক্রিফাইসশিং অমসুং লৈবাক্কী অপুনবা ৱারেপনা খুদোংচাদবা কয়া থেংনবদা ঐখোয়দা মতেং পাংখি।'

পাকিস্তানগী চহী ৬৯ গী পুৱারীদা মতম তঙ্খায় অমদি আর্মিনা লৈঙাকখি অমসুং হৌজিক লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ য়াওনা সিভিল্যান গভর্ণমেন্টশিংগা উংখৎনবা কয়া তোয়না থোকখি।

নৱাজ শরিফ মশামকপু কুমজা ১৯৯৯ দা মিলিটরি কূ অমদা মফমদগী চিংথুখি। শরিফকী মায়োক্তা চথখিবা কূ লুচিংখিবা পরবেজ মুশারফ য়াওনা পাকিস্তানগী মমাঙগী আর্মি চীফ অনীগী থবক্কী মতমশিং শাংদোকখি।

## কেফে এটেক্কী ভিক্টিমদা মাদর টেরিসা এৱার্দ পীখ্রে



ধাকা, নবেম্বর ২১ : চহী অসিগী জুলাই ১ দা ধাকাগী গুলসন দিপ্লোমেটিক জোনদা লৈবা হোলি কেফেদো চথখিবা শাথিরবা টেররিষ্ট এটেক্তা হাৎখিবা বাংলাদেশি হোষ্টেজ অহুমগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফারাজ অৱাজ হোশাইনদা কুমজা ২০১৬ কী মাদর টেরিসা মেমোরিএল ইন্টরনেসনেল এৱার্দ ফোর সোসল জষ্টিস পীখ্রে।

এৱার্দ অদু নোংমাইজিং নুমিৎতা মুম্বাইদা হার্মোনি ফাউন্দেসন্না হোশাইনদা মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা পীখিবনি। এৱার্দ য়েপ্তোকপগী থৌরম অমদা লৈখিদ্রবা ফারাজগী মমা-মপানা ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট অব্রহম মাথাইদগী মচাগী মহুৎ শিনদুনা এৱার্দ অদু লৌখি।

মশা লৈখিদ্রবা মীওই অমদা এৱার্দ অদু পীবসি হন্দক্কীসিনা অহানবনি।

এৱার্দতু পীবা মতমদা ফাউন্দেসন অদুনা হায়খি, 'জুলাই ১,২০১৬ তা টেররিষ্টশিংনা হাৎখিবা থৌনা ফরবা বাংলাদেশ মচা অসিদা ফাউন্দেসন্না এৱার্দ অদু পীদুনা ঈকায় খুম্ননবা ৱারেপ লৌখিবনি। নুমিৎ অদুদা মহাক্না মথৱায় হিংনবা অতৈ লৈবাকশিংদগী মরূপ-মপাংশিংবু থাদোক্তুনা মফমদুদগী চৎখিবগী মহুত্তা অকি-অখঙ পোকহনখিবা মীওৎ-মীনৈ তৌবশিংগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা মরূপ-মপাংশিংগীদমক্তা মথৱায় থাখিবনি।'

এৱার্দতুগা মরী লৈননা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্সতা ফারাজগী মমা সিমীন হোসাসিরনা হায়খি, 'ঐহাক্কী ইচানুপাবু হাৎখিবশিংদু হিংচাবশিংনি, টেররিষ্টশিংনি। অদুগা অশিববু কিবা লৈতনা মরূপ-মপাংশিংগীদমক্তা লেপখিবা ঐহাক্কী ইচানুপানা অশেংবা ইস্লামগী মশক উৎখি।'

হার্মোনি ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট অব্রহম মাথাইনা হায়খি, 'ফারাজ থৌনা ফবা অচৌবা মীশক অমা ওইখি, মহাকপু ঈকায় খুম্নজবসিদা ঐখোয় চাউথোকচৈ।'

লৈখিদ্রবা মাদর টেরিসাবু নিংশিংদুনা পীবা ইন্টরনেসনেল এৱার্দ অসি কুমজা ২০০৫ দা হৌদোকখি অমসুং অহৌবা চহীদুদা মালেম পুম্বগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ভোলন্টিয়র মেদিকেল ওর্গনাইজেসন ওইরিবা মেদিসিন্স সান্স ফ্রন্টিয়রসনা এৱার্দ অসি লৌখি।

## ত্রম্পকী টিমনা এক্টিভিষ্টশিং, দেমোক্রেটশিংবু নুংঙাইহন্দ্রে

সিওল, নবেম্বর ২১ : হৌখিবা চয়োলসিদা প্রসিদেন্ট খল্লবা দোনাল্ড ত্রম্পনা রিপল্লিকান পার্টিদা য়াওরিবা মহাক্কী ক্রিটিক কয়া উনখ্রে, তৌইগুম্বসুং মহাক্না হান্না লাউথোকখিবা এপোইন্টমেন্টশিংনা মহাক্কী কেম্পেয়্যনদা উখিবা কাঙলুপ অমসুং লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবা অকনবা এজেন্দা মখা তানা গভর্ণমেন্টনসু উবা ফংহনগদৌরিব্রা হায়বগী অকিবা পোকহনখ্রে।

দোনাল্ড ত্রম্পনা জেফ সেসন্সপু এটোর্নি জেনরেল (এ জি) ওইনা খনখ্রে অমসুং মাইকল ফ্লাইনবুনা নেসনেল সিক্যুরিটি এদভাইজর খনখ্রে। মমাঙদা কুমজা ১৯৮০ গী মতুং চহী খরদুদা য়ু এস সিনেটনা সেসন্সপু ফেদরেল জজ অমা ওইনা হাপ্পগী ৱাফম য়াখিদে। য়ু এসকী এটোর্নি অমা ওইনা অফ্রিকান অমেরিকানশিংগী মায়োক্তা ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইরবা থৌরাং কয়া পুথোকখিবা অমসুং অকনবা ৱাহৈ কয়া শিজিন্নখিবগীদমক্তা সিনেটনা সেসন্সপু এটোর্নি জেনরেল খনবগী ৱাফম য়াখিদবনি। কেম্পেয়্যন অদুদা ফ্লাইনবা মুস্লিমশিং, অফ্রিকান অমেরিকানশিং অমসুং জ্যুশিংগী মরমদা ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইরবা কম্মেন্টশিং পরিং নাইনা ফোঙদোকখি।

লাক্কদৌরিবা এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা অমগা অমগা য়ানদবা মোতশিং থোকহল্লকপা য়াবা এজেন্দা অমা পুথোরকপা য়াই হায়না কিনরিবা সিভিল রাইটস এক্টিভিষ্টশিং অমসুং দেমোক্রেটশিংনা ত্রম্পকী টিমবু চেকশিন্না য়েংলি। সেসন্সনা দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসপু 'দিগ্রী ১৮০ গী টর্ন অমা লুচিংদুনা পুংওন ওনবা অমা পুরকপা য়াই' হায়না রাইটৱিং প্লেটফোর্ম কঞ্জার্ভেটিভ রিভ্যুনা হায়খি। মসিনা অকিবা লৈরিবদু থাঙ্গৈশেংনা থোক্লকপা য়াবগী চান্স ৱাংই হায়বদু উৎলি।

প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা মহাক্কী টার্ম অনীমক্তা অহানবা অফ্রিকান-অমেরিকান অমসুং অহানবা অফ্রিকান- অমেরিকান নুপীবু এ জিশিং ওইনা খনখি। মখোয়শিংদুদি মথংশিৎনা ইরিক হোল্ডর অমসুং লোরেতা লিঞ্চনি। মখোয় অনীনা জষ্টিস দিপার্টমেন্টবু সিভিল অমসুং হ্যুমেন রাইটশিং প্রোটেক্ট তৌগদবা খোঙথাংশিং লৌখৎহনখি। মখোয়না অফ্রিকান-অমেরিকানশিংগী ভোটিং রাইটশিংদা শোক্কদবা মওংদা রিপল্লিকান ষ্টেট কয়ানা পুথোকখিবা লো কয়া অমসুং পুলিসনা ক্রাইম অমা থোকপা মতমদা মীয়াম মরক্তা কাঙলুপ নাইবা মিৎয়েংদা য়ুম্ফম ওইরগা চিংনবা উৎপগী থৌওং ওপোজ তৌখি।

লাক্কদৌরিবা এ জি অসি অফ্রিকান- অমেরিকান ভোটর রেজিষ্ট্রেসনগী দ্রাইভপু নমথাক্কী এক্সরসাইজ অমনি হায়না ফোঙদোকখিবগী হিষ্ট্রি অমা লৈ হায়রি। নেসনেল এসোসিএসন ফোর দ এদভান্সমেন্ট ওফ কলর্দ পিপল (এন এ এ সি পি) না মহাকপু ফমদুগীদমক খনখিবসি 'য়াম্না নুংঙাইনিঙাইনি' অমসুং মহাক্কী ফিটনেসকা ৱাহং কয়া হংনিংঙাই ওই' হায়খি।

সিনেটর সেসন্সনা মহাক্কী কেরিয়র অপুম্বদা ঐখোয়গী লৈবাক্কী সিভিল রাইট লোশিংবু তত্তনা য়ানিংদবা উৎখিবনি। মহাক্না অসিগুম্বা লোশিংবু ঙাক শেনগনি অমসুং চৎনহন্নবা হোৎনরক্কনি হায়বসি চিংননিঙাই ওই হায়খি। এন এ এ সি পি অমসুং এ সি এল য়ুগী থবকপু অমেরিকান ওইদে হায়না ফোঙদোকখিবা য়াওনা কাঙলুপ নাইবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া ফোঙদোকখিবগীদমক্তা মহাকপু কুমজা ১৯৮৬ তা ফেদরেল জজ অমা ওইনা খনবগী ৱাফম য়াখিদবনি।

মহাক্না ফেদরেল ভোটিং রাইটস এক্টকী মায়োক্তসু হঞ্জিন-হঞ্জিন ঙাঙখি। হৌখিবা চহী ৫০ রোম অসিদা ঐখোয়না এক্ট অদুগী মপুং ফাবা প্রোটেক্সন য়াওদবা ইহান হানবা প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সন উখ্রে লোয়ননা ভোট মিলিয়ন কয়া নমথবা উখ্রে। মরু ওইখ্রবা প্রোটেক্সনশিং অসিবু য়াদবা এটোর্নি-জেনরেল অমবু থবক হাপ্পা হায়বসি নুংনাংনিঙাইনি অমসুং য়ানিংঙাই ওইদে।'

প্রসিদেন্ট খল্লবা মীশক্না হাপ্পা ফমশিংগী মতাংদা মহাক্না কম্মেন্ট পীরোই হায়না ওবামানা হায়খ্রে। অদুম ওইনমক অতৈ দেমোক্রেটশিংদি ত্রম্পকী এপোইন্টশিং য়ানিংদ্রি।

থবক্তগী পোত্থারবা আর্মি লেফটিনেন্ট-জেনরেল ফ্লাইনবু এ এন এ ওইনা খনখিবসিনা দোমেষ্টিক পোলিটিকেল মিৎয়েংদা নুংনাংনিঙাই ওইবদা নত্তনা য়ু এসকা মালেমগা লৈনরিবা মরীদসু অকায়বা থোকহন্নিংঙাই ওই। ফ্লাইন অসি রসিয়াগা মরী নকশিন্নবগী ৱাফম কন্না শৌগৎপা মীশক্নি হায়রি।




HL-B/3401/20/10-19/11

## EMPLOYMENT NEWS

### Indian Oil Corporation Limited – IOCL Recruitment 2017 – 60 Jr. Engineering Assistant Vacancy – Last Date 05 December 2016

**IOCL Recruitment 2017**

Indian Oil Corporation Limited (IOCL) invites Application for the post of 60 Jr. Engineering Assistant from its passed-out Ex-Apprentice. Apply before 05 December 2016.

**Job Details :**
Post Name : Jr. Engineering Assistant-IV
No of Vacancy : 60 Posts
Pay Scale : Rs. 11900-32000/-

**Eligible Criteria for IOCL Recruitment :**

Educational Qualification : Minimum 3 Years full time, regular/sandwich Diploma in relevant Engineering OR B.Sc.(Math,Physics,Chemistry or Industrial Chemistry) from a recognized Institute/University with minimum of 50% marks in aggregate for General & OBC candidate & 45% in aggregate in case of SC/ST candidates against reserved positions.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 26 years As on 31.10.2016
**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 03 years
For SC/ST Candidates : 05 years
For PWD Candidates : 10 years

**Job Location : Haryana**

**Selection Process :** Selections for engagement would be based on Written Test or Skill/Proficiency/Physical Te.

**Application Fee :** General & OBC Candidates Have to Pay Rs.100/- through Demand Draft in Favour of Indian Oil Corporation Limited payable at SBI Baholi, Panipat (Brach Code-8706). SC/ST candidates are exempted from payment of application fee.

**How to Apply IOCL Vacancy :** Interested candidates may apply in Prescribed Application form along with relevant document send to the Chief Human Resources Manager, HR Department, Panipat Refinery & Petrochemical Complex, Panipat, Haryana-132140 on or before 05.12.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 05.12.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : https://www.iocl.com/download/RECTT_JEA-IV_2016-17.pdf\\

### Bhabha Atomic Research Centre – BARC Recruitment 2017 – 168 Stipendiary Trainees, Upper Division Clerk & Technician – Last Date 13 December 2016

**BARC Recruitment 2017**

Bhabha Atomic Research Centre invites applications for the post of 168 Stipendiary Trainees, Upper Division Clerk & Technician. Apply Online before 13 December 2016.

Advt. No. : 1/2016(R-I)

**Job Details :**
Post Name : Stipendiary Trainees
No. of Vacancy : 157 Posts
Pay Scale : Rs.6200/- (per month)

Post Name : Upper Division Clerk
No. of Vacancy : 10 Posts
Pay Scale : Rs.25500/-

Post Name : Technician-C
No. of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs.25500/-

**Eligibility Criteria for BARC Recruitment :**

Educational Qualification :
For Stipendiary Trainees : HSC in Science stream (with Physics, Chemistry and Maths subjects) with a minimum 60% marks in aggregate or SSC (with Science and Maths) with a minimum 60 % marks in aggregate PLUS trade certificate in relevant Discipline

For Upper Division Clerk : A degree (Graduate) in Arts, Science or Commerce of a recognized university or equivalent with an aggregate of 50% marks.

For Technician : SSC + First Class Boiler Attendant's Certificate issued by the Competent Authority.

Nationality : Indian
Age Limit :
For Stipendiary Trainees : 18 to 22 years
For Upper Division Clerk : 18 to 27 years
For Technician : 18 to 25 years

**Job Location : Maharashtra**

**Application Fee :** Candidate have to pay Rs.100/- through Challan. No fee is required to be paid by candidates belonging to SC/ST/PWD/ Ex-Service men/ Women.

**How to Apply BARC Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website http://www.barc.gov.in from 19.11.2016 to 13.12.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 19.11.2016
Last Date for Submission of Online Application : 13.12.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.barc.gov.in/careers/vacancy350.pdf

**Apply Online :** https://barcrecruit.gov.in/barcrecruit/main_page.jsp?do=init&action=home&process=47D81480966090375685C2144080977C